# মৈরাবা লুৱাংনা বেদমিন্টন এসিয়া জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে



মন্দলে, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ ম্যান্মারগী সিটি মন্দলেদা থা অসিগী ৩দগী পাঙথোরকপা বেদমিন্টন এসিয়া জুনিয়র (চহী ১৭/১৫) চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরদগী হৌখিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা চহী ১৭ মখাগী সিঙ্গলসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং চেম্পিয়ন-শিপ অসিগী অহুমশুবা সীদেদ শান্নরোয়নি। মহাক্না ঙরাং শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা সাউথ কোরিয়াগী জিন য়োংগা অকনবা লম্বা থেংনরগা গেম ১-২দা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। সেমী ফাইনেল অদুগী অহানবা গেম মৈরাবনা জিন য়োংবু ২১-১৯দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদুদা কোরিয়াগী জিন য়োংনা ২১-১৬, ২১-১০দা মায় পাক্তুনা মৈরাবা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

পনবা য়াই, মৈরাবনা অহানবা রাউন্দদা সিঙ্গাপুরগী য়প মিং নিগেলবু ২১-১১, ২১-১৯দা থোইখি। অনীশুবা রাউন্দদা মহাক্না মেকাওগী পুই চি চোনবু ২১-৮, ২১-৭তা থোইখি। প্রী ক্বার্টরদা চাইনিজ টাইপৈগী ৱোং পো ৱৈবু ২১-১০, ২১-১৬তা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেলদা মলেসিয়াগী জেকি জিন হোংবু ২১-১৩, ২১-১৩দা থোইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল অদু সাউথ কোরিয়াগী জিন য়োংনা লৌখি। চহী ১৫ মখাগী কাঙলূপ্তুনা ইন্দিয়াগী সুব্রমনিয়ম সঙ্করসু সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

অহানবা তখেল জি পি লেভেল মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনখ্রে

# তখেল এফ সীনা এস কে দি সী সঞ্জেনবম্বু গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ সোসল এথলেটিক দিভলপ-মেন্ট এসোসিএসন (এস এ দি এ) অমদি এন ৱাই কে ইম্ফাল ইষ্টকা খূৎশম্নরগা শীন্দুনা সেপ্টেম্বর ২৪দগী হৌদুনা এস এ দি এ ক্লবকী ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরকখিবা অহানবা তখেল জি পি লেভেল মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনখিবগা লোয়ননা তখেল এফ সীনা এস কে দি সী শঞ্জেনবম্বু গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।



টিম ১১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৩ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকখিবা অহানবা তখেল জি পি লেভেল মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা তলৌ সনা সৈজাং জিলা পরিষদকী এ জামিনি, তখেল জি পিগী প্রধান এম নিংথেম, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোওর্দিনেটর কে ইবোহনবী, এন ৱাই কে ইম্ফাল ইষ্টকী টি অরুনকুমার মীতৈ অমসুং মেজর অভিমৈনুনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি এস কে দি সী শঞ্জেনবম অমসুং তখেল এফ সী শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীনা চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ২১শুবা মিনটতা তখেল এফ সীগী এল দেবান্না ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এস কে দি সীগী মায়কৈদগী তখেল এফ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।


অনীশুবা হাফকী ৬২শুবা মিনটতা এস কে দি সীগী এম রোজরনা মহাক্কী টিমগী গোল অমা চন্দুনা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোল ১-১দা টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা তখেল এফ সীনা এস কে দি সী শঞ্জেনবম্বু গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

অহানবা তখেল জি পি লেভেল মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী বেষ্ট প্লেয়রনা এম রোজর, বেষ্ট গোলকিপরনা য়ু ৱাই সী তখেলগী এম রোসন, টোপ স্কোররনা এস কে দি সীগী এম হিটলর অমসুং বেষ্ট দিসিপ্লিন্না এন ৱাই সী কাঙুচীংজিন্না তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা দাইজ মেম্বরশিংনা তখেল এফ সীনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৬, রন্নর্স-অপ তাখ্রবা এস কে দি সী শঞ্জেনবম খুনৌদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৪, তোঙান তোঙানবা টাইটল ফংখ্রবশিংদা শেলগী মনা লুপা ২০০/২০০সু খূৎশিন্নখি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# বাখে, এস দি সী, ৱাই দি ও অমসুং ৱাই এম দি ও সেমী ফাইনেল লাইন-অপ তৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা লিলোং চজিং য়ুথ কম্যুনিতি সেন্তর কম কলচরেল ইন্সটিট্যুট (এল সী ৱাই সী সী সী সী আই) না শীন্দুনা চজিং পুখ্রি অচৌবা মপান্দা ঙসি অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা মায় পাক্তুনা বাখে সনা কৈথেল, এস দি সী শমুরৌ, ৱাই দি ও চোংথাম কোনা অমসুং ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং সেমী ফাইনেল লাইন-অপ তৌখ্রে।

বোল্লিবোল টিম তরুক্লা শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল শান্নখি।

মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা মিখ্যা ময়াং ইম্ফালবু সেট ২-০ (২৫-২১, ২৫-২১, ২৫-১৯) দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা টিম ওইখি।

মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৯ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী ৱাই দি ও চোংথাম কোনা অমসুং আই জি ও ওইনাম লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা মীকূপ লোইশিল্লকপদা ৱাই দি ও চোংথাম কোনানা আই জি ও ওইনাম্বু সেট ৩-১ (২২-২৫, ২৫-১৬, ২৫-২২, ২৫-১৯) দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অহুমশুবা টিম ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরুকশুবা মেচ অমদি লীগ রাউন্দগী অরোইবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী বাখে সনা কৈথেল অমসুং মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল শান্নখি। সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা বাখে সনা কৈথেলনা মিখ্যা ময়াং ইম্ফালবু সেট ৩-০ (২৫-১৫, ২৭-২৫, ২৫-২০) দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা মরিশুবা টিম ওইখি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং গ্রুপ বিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এস দি সী শমুরৌ অমসুং আই জি ও ওইনাম শান্নখিবা মেচ অদুদা এস দি সীনা আই জি ওবু ৩-১ (২২-২৫, ২৫-১৮, ২৫-১৫, ২৭-২৫) দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অহানবা টিম ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল হয়েং অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা বাখে সনা কৈথেল অমসুং এস দি সী শমুরৌ শান্নগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ৱাই দি ও চোংথাম কোনা অমসুং ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং শান্নগনি হায়রি।

এ প্রটাপ সিংহ মেমোরিএল এম য়ু ইন্টর কোলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# য়ুনাইটেদ কোলেজ, কে পি কোলেজ, ৱাই কে কোলেজ অমসুং মোইরাং কোলেজ সেমী চঙখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটি (এম য়ু এস সী) গী মীৎয়েং মখাদা থম্বাল মরিক কোলেজ ওইনাম্না শীন্দুনা অমদি য়ূম্বু ওইদুনা সেপ্টেম্বর ২৫দগী হৌদুনা পাঙথোরক্লিবা এ প্রটাপ মেমোরিএল এম য়ু ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (মেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা য়ুনাইটেদ কোলেজ, কে পি কোলেজ, ৱাই কে কোলেজ অমসুং মোইরাং কোলেজ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

কোলেজ ২৬না কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরক্লিবা এ প্রটাপ মেমোরিএল এম য়ু ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (মেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা মোইরাং কোলেজ অমসুং এম বি কোলেজ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নখিদে।

অনীশুবা হাফকী ৪৫শুবা মিনটতা মোইরাং কোলেজগী জর্সি নম্বর ১৭ গুনেশ্বর এননা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। এম বি কোলেজকী মায়কৈদগীসু মোইরাং কোলেজনা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা মোইরাং কোলেজনা এম বি কোলেজপু গোল ১-০দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা টিম ওইখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ তাবদা য়ুনাইটেদ কোলেজ অমসুং এন বি কোলেজ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা বোল কাওনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা য়ুনাইটেদ কোলেজনা এন বি কোলেজপু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা কে পি কোলেজ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ১-১দা টাইব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা কে পি কোলেজনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদি ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা ৱাই কে কোলেজ অমসুং প্রসিদেন্সি কোলেজ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী ১৬শুবা মিনটতা ৱাই কোলেজকী জর্সি নম্বর ৭ জয়চন্দ্রনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই কে কোলেজনা মাঙজিল থাখি। মেচকী ৩২শুবা মিনটতা প্রসিদেন্সি কোলেজকী জর্সি নম্বর ১৫ জাংসেমলান্না কে পি কোলেজগী গোল অদু হন্দোক্তুনা গোল ১-১দা লৈখি। মেচকী ৪৭শুবা মিনটতা ৱাই কে কোলেজগী জয়চন্দ্রনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-১দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

৪১শুবা তেংনৌপল য়ুথ ক্লব এন্যুএল স্পোর্টস মীট আইট মেন দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# জামখো মেমোরিএল টিম্না কিমনিও মেমোরিএল টিম্বু মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ

তেংনৌপল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা তেংনৌপল গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী শান্নবুংদা ৪১শুবা তেংনৌপল য়ুথ ক্লব এন্যুএল স্পোর্টস মীট আইট মেন সোক্কর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮দা জামখো মেমোরিএল টিম (জে এম টি) না কিমনিও মেমোরিএল টিম (কে এম টি) বু মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ ওইখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী টিম ১৯না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা নিপানশুবা মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি জামখো মেমোরিএল টিম (জে এম টি) পলেল অমসুং কেমনিও মেমোরিএল টিম কে এম টি শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌরকপদগী হৌনা চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি।





মেচ অদু জে এম টিনা কে এম টিবু লাকচরপ তৌনা শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা জামখো মেমোরিএল টিম (জে এম টি) পলেলনা কেমনিও মেমোরিএল টিম (কে এম টি) বু গোল ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা মায়থীহৌরবা কে এম টিনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি। থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইখিবশিংনা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা মনা মথুম খূৎশিন্নখি।

এম য়ু ইন্টর কোলেজ (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯

# এন হেরোজিৎনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা মাঙজিল থানা চৎলি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটি (এম য়ু এস সী) গী মীৎয়েং মখাদা হিয়াংথাংদা লৈবা কমখ্য পেমতোন কোলেজনা শীন্দুনা কোলেজ অসিদা পাঙথোক্লিবা এম য়ু ইন্টর কোলেজ (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী মরিশুবা রাউন্দ লোইশিনখিবগা লোয়ননা এন হেরোজিৎনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা মাঙজিল থানা চৎলি।

তোঙান তোঙানবা কোলেজকী শান্নরোয় নুপামচা অমদি নুপীমচানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা এম য়ু ইন্টর কোলেজ (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী মরিশুবা রাউন্দগী অহানবা টেবলদা এন হেরোজিৎ অমসুং য়াইফবা এন জিবু মায়থীবা পীরল্লগা এন হেরোজিৎনা পোইন্ট ১ ফংদুনা পূন্না পোইন্ট ৪, অনীশুবা টেবলদা এস বিদ্যানন্দনা ঐচ মুববু মায়থীবা পীরল্লগা পোইন্ট ১ ফংদুনা পূন্না পোইন্ট ৩.৫, অহুমশুবা টেবলদা ৱাই লেনিন্না অটাপ এলবু মায়থীবা পীরল্লগা পোইন্ট ১ ফংলগা পূন্না পোইন্ট ৩.৫, মরিশুবা টেবলদা এন জি ভগিরৎনা চোঙোমপিপাবু মায়থীবা পীরল্লগা পোইন্ট ১ ফংলগা পূন্না পোইন্ট ৩, মঙাশুবা টেবলদা এন দিনেসনা টি ঐচ জেনিসনবু মায়থীবা পীরল্লগা পোইন্ট ১ ফংদুনা পূন্না পোইন্ট ৩, তরুকশুবা টেবলদা ঐচ রোসন্না এন কুঞ্জকেশ্বরবু মায়থীবা পীরল্লগা পোইন্ট ১ ফংদুনা পূন্না পোইন্ট ৩, তরেৎশুবা টেবলদা বিজয়কমারনা ও মালেমঙানববু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ১ ফংদুনা পূন্না পোইন্ট ২ ফংলগা তুং ইন্নরি।

৫শুবা ওল য়াইরিপোক ওপন বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

# মুতুম কেনেদিনা মিষ্টর য়াইরিপোক অমসুং কে মিজেন্না মিষ্টর লময়ানবগী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ

ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক টোপ চীংথাদা লৈবা লময়ানবা জিম্না শীন্দুনা টোপ চীংথা পুখ্রি অচৌবা মপাল কম্যুনিতি হোলদা ওক্টোবর ৬তা পাঙথোকখিবা ৫শুবা ওল য়াইরিপোক ওপন বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ (মিষ্টর য়াইরিপোক ২০১৮) অমসুং ৪শুবা ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ (মিষ্টর লময়ানবা ২০১৮) কী মিষ্টর য়াইরিপোক্কী টাইটল মুতুম কেনেদি অমসুং মিষ্টর লময়ানবগী টাইটলনা কে মিজেন্না লৌখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা য়াইরিপোক্কী জিম কয়াদগী শাফবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৫শুবা ওল য়াইরিপোক ওপন বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ (মিষ্টর য়াইরিপোক ২০১৮) অমসুং ৪শুবা ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ (মিষ্টর লময়ানবা ২০১৮) লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকমার, লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্কী প্রসিদেন্ট ডা. মাইবম সোমোরেন্দ্রো, তুলিহল জিলা পরিষদকী মেম্বর কোংবা ইনাওচা, অপূনবা নুপী খুন্নাই লমজিং মৈরা লূপ য়াইরিপোক ইম্ফাল ইষ্টকী প্রসিদেন্ট ইমা অসেম ইবেতোম্বী লৈমা অমসুং ব্লোক দিভলপমেন্টগী রিটায়ার্ড ওফিসর মাইবম ইবোতোম্বী খুমন্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।





মঙাশুবা ওল য়াইরিপোক ওপন বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী সব জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা লময়ানবা জিমগী তেলেম অবুংচানা অহানবা লৌরেম্বম নেপোলিন্না অনীশুবা, শাজেলশঙ অংথাগী ৱাইরোকপম য়াইফবনা অহুমশুবা অমদি সোরাম সুনিলনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা লময়ানবা জিমগী অরাম্বম গান্ধীনা অহানবা, লাইশ্রম বিনোদনা অনীশুবা অদুগা শাজেলশঙ অংথাগী লাইশ্রম মোমোচানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। সেনিয়রগী কাঙলূপ্তুনা লময়ানবা জিমগী মুতুম কেনেদিনা অহানবা, সমিম অনৱারনা অনীশুবা অমসুং সনাবম প্রেমজিৎনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মরিশুবা ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ (মিষ্টর লময়ানবা ২০১৮) গী সব জুনিয়র কাঙলূপ্তা লময়ানবা জিমগী মুতুম কেনেদিনা অহানবা, এপোলো জিমগী ফৈরোইজম চীংলেম্বনা অনীশুবা, সী এফ সীগী খুমন্থেম বিকাস মীতৈনা অহুমশুবা, লময়ানবা জিমগী সমিম অনৱারনা মরিশুবা অমসুং সী এফ সীগী কোন্থৌজম সিবরাজনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা কে বি বি তেরা ইম্ফালগী লৌরেম্বম ইনাওবনা অহানবা, ইন্দ্রা য়াইস্না ৱেলনেসকী সোরাইসম পিয়ানকালনা অনীশুবা, লময়ানবা জিমগী অরাম্বম গান্ধীনা অহুমশুবা, কে বি বি তেরাগী থিয়াম প্রেমজিৎনা ৪শুবা অমসুং এস বি বি এফকী সী ঐচ ভুপেসনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী সেনিয়রগী কাঙলূপ্তা লময়ানবা জিমগী কে মিজেন্না অহানবা, এস বি বি এফকী এন রিপেন্না অনীশুবা, কে বি বি তেরাগী লাইতোঞ্জম গুলসন্না অহুমশুবা, কে বি বি তেরাগী আর কে জোনসন্না মরিশুবা অমসুং এস বি বি এফকী সী ঐচ লানচিংঙম্বনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

তোঙান তোঙানবা চেম্পিয়নশিপ অনী অসিগী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিশিংদা মকোক মথং তাখ্রবা শাফবশিংদা ট্রোফি অমদি শেলগী মনাশিং খূৎশিন্নখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com